**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30.03.2024)**

**মীখল (এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ তরুক অমসুং আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদনা মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরগনি।

মীখল অসিগীদমক ঙসি মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ অমত্তনা মখোয়গী মীরেপ চেশিং লৌথোকখিদ্রে।

ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরিবশিং অদুদি- বি.জে.পিগী থৌনাওজম বসন্তকুমার, কংগ্রেসকী ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম, আর.পি.আই (অথৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজম, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং-রাজকুমার সোমেন্দ্রো, হাওরুংবম সরদ অমসুং মোইরাংথেম তোতোমসনানি।

আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরিবশিং অদুদি, কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কঙম আথর, এন.পি.এফকী কে. তিমোথি জিমিক অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং-ডা: এলিসন অবোনমৈ অমদি খো-জোননি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট মথং থাগী ১৯ দা থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোটনা মথং থাগী ২৬ তা থানগনি। মীখল অসিগীদমক মীরেপ ওইরিবশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎপা মীওইশিংনা মচি মচিদা ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি। অদুমওইনমক, য়ামা চাউনা ভোট খোমবগী থবক্তি উবা ফংদ্রি।

**য়ু(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা নুমিৎ নিনি ৱাৎলিঙৈদগী নুমিৎ হুমনি হুমনিগী ওইনা দ্রাই ডে লাউথোক্কুনা অমদি ভোট মশিং থিগদবা জন মরিদা য়ু য়োনবা অমসুং থকপদা

অথিংবা থমলে।

রাজ্যগী এক্সাইসকী এদিসনেল কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অহানবা তাঙ্ককী ওইনা মথং থাগী ১৭ কী নুংথিল পুং মরিদগী ১৯ গী নুংথিল পুং মরি ফাওবা অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মথং থাগী ২৪ গী নুংথিল পুং মরিদগী ২৬ কী নুংথিল পুং মরি ফাওবা য়ু য়োনবা অমসুং থকপদা অথিংবা থমলে। হায়রিবা অথিংবা অসি লিক্কর লাইসেন্স হোল্ডর ৫৭ য়াওনা হান্না য়ুগী অথিংবা কোমথোক্লম্বা কেটেগোরি পুমমক্তা চৎনগনি হায়রি।

**থৌবাল(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ঙসি ককচিং লমখাইদা লৈরিবা চাক হোটেলশিংদগী য়াম্লবা য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌশিং এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ফাগৎখ্রে।

ফাগৎলবা য়ুশিং অদু চাউরাকা লুপা লিশিং ৬০ রোম ওইগনি হায়রি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী অকনবা পাউতাক মতুং ইন্না য়ুশিং ফাগৎপগী থবক অদু চথখিবনি হায়রি।

**ময়োল(এল)ঃ** অফবা চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেমবা অফবা মখলগী রাজনিতি তৌবা মথৌ তায় হায়না মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না হায়রি।

লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল অসি কাংলোন চুমা পাঙথোকবা ময়োলনা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎলগনি হায়নসু লুপ অসিনা থল্লক্লি। ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা ময়োলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-অসেম প্রিন্সনা হায়-ময়োলনা মনিপুর খুন্নাইবু অচুম্বা মায়কৈদা পুরকপা ঙমবগী পান্দমদা 'ঐখোয়গী অনৌবা লাঙোল ইহৌ' হায়না মিংথোনবা কেম্পেইন অমা হৌদোকখি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না মীখলগী কাংলোন চুমথোকবগী থবক পায়খৎনবা শেম শারে। মদুগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা ৱাফম ২৩ য়াওবা চেজাই মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা

লাক্কদৌরিবা মীখল অসি কাংলোন চুমা পাঙথোকহন্নবা হোৎনগনি।

অমরোমদা নোর্থ ইষ্ট্রান য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গানাইজেসননা, মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসি থম্মোইশেংনা লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মীখললোমদা হেন্না থৱাই য়াওবগী থৌওংবু পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

**জিরি(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমতাই খুন্নৌদা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮ গী লোন্নবা অহিংদা দুকান অমদা মশক খঙদবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা চাউনা অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা, থৌদোক্তুদা চেন্নরিবশিং ফাননবা তকশিনদুনা ঙসি অয়ুক পুং তরুক্তগী নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবা কৌখিবা টোটেল সটদাউন্দনা জিলা অদুগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকখি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-টোটেল সটদাউন্দ অদুনা মরম ওইদুনা কৈথেল অমসুং দুকানশিং থোং লোন্নখি। সরকারগী লোইশঙশিংদা মী কারকপগী চাং নেমখি। অদুমওইনমক, সি.আর.পি.এফ. য়াওনা সেক্যুরিতিনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুবু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী রানা তোপ মনাক্তা লৈবা ৱাই জঙ্কসনদা ঙরাং অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা গাড়ি অনিদগী লুপা কোতি মঙারোমগী মমল ওইগদবা ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম অনি গ্রাম ৬০০, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, টুয়েল্ব বোরগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি অমসুং য়াল্লবা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-

পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা ফারবা মীওইশিং অদু পুলিসতা শিন্নখ্রে। অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী বিজাং এরিয়াদা অসাম রাইফলসকী অতোপ্পা কাংবু অমনা এরিয়া দোমিনেসন পেট্রোল চথবদা মীওই অমা খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। মীওই অহুমনা অসাম রাইফলস উবদগী উমংলোমদা চেনখিনবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা মফম অদু কোইশিনদুনা থল্লগা মীওই অদু ফাখিবনি। ফারবা মীওই অদু কুকি লিবরেসন আর্মি (কে.এল.এ) মীওইনি৷ মঙোন্দগী এ.কে. ফিফতি সিক্স অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী সেল্প লোদ্দিং রাইফল অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফংবা ঙমলে। ফারবা মীওইশিং অমসুং খুৎলায়শিং অদু পুলিসতা শিন্নখ্রে।

হৌখিবা থা অসিগী ২৭ তা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা উখ্রুল জিলাগী কসোং ভিলেজ, তেংনৌপল জিলাগী লোইসি ভিলেজ অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী জো খুনৌ ভিলেজতা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে।

**নর্স (এল)ঃ** রিমসকী দিরেক্তর-ডাঃ জি. সুনিলকুমার শর্ম্মনা হায়রি-ত্রেন্দ নর্স য়ামা পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতসু অমনি। অদুবু ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (ডব্লিয়ু.ঐচ.ও) গী চৎন-কাংলোন মতুং ইন্না হৌজিক লৈরিবা চাং অসিদগী হেন্না পুথোকপা মথৌ তারি। ৱাফম অসি রিমসকী জল্লি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রেন্দ নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী অহানবা চহিগী মীফমদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-নর্সশিংনা হেলথ কেয়ার সেক্তরদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী চৎন-কাংলোন মতুং ইন্না মীওই লিশিং অমদা নর্স অহুম ওইগদবনি। ভারতকী ওইনা নর্সিং পেসেন্ট রেসিও অসি মীওই লিশিং অমদা ১.৭ ওইরি। মরম অদুনা চহি অসিগী মনুংদা নর্স মিল্লিয়ন ৪.৩ পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

অৱার নর্সেস, অৱার ফ্যুচর-দা ইকোনোমিক পৱার ওফ কিয়ার হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী সেনিয়ার ত্রেন্দ নর্স-খোইরোম বিমোলা অমসুং মেল নর্স ওইনা থবক তৌরম্বা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম ইবোহলদা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড খুৎশিন্নখি।

**সিপিআই(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর কেন্দ্রবু সরকারনা গ্রীন বেল্টনি হায়না লাউথোকপীনবা সি.পি.আই. বিষ্ণুপুর লোকেল কাউন্সিলনা তকশিল্লি।

ৱাফম অসি লোকেল কাউন্সিল অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ৪৭ শুবা চহিগী মীফমনা ৱারেপ লৌখিবনি।

**লিগেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি মনিপুর সেন্ট্রেল জেল-শজিৱাদা পাঙথোকখ্রে।

প্রিজনরস রাইট অন্দর দা প্রিভেলিং লো হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**কেম্প(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী লাংমৈথেৎতা ঙসি এনিম্যেল হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা হুই অমসুং হৌদোং পুন্না ১০০ রোমদা এন্টি রেভিজ ভেক্সিন কাপথোকখি।

নোনে জিলাগী লোংচুম পার্ট ৱানদসু ঙসি এন্টি রেভিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা হুই অমসুং হৌদোং ২১১ রোমদা ভেক্সিন কাপথোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল অৱাং লৈকাই অমসুং নম্বোল ওইনামদসু ঙসি এন্টি রেভিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না হুই অমসুং হৌদোং ২৭০ রোমদা ভেক্সিন কাপথোকখি।

**কেম্প(এল)ঃ** আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-ককচিংনা এদভান্স ভোলুন্টিয়ারস ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরি ৱার্ড নম্বর টুগা পুন্না শিনবা স্পিসিএল আউটরিটচ হেলথ কেম্প অমা ঙসি ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মীওই ৮৩ রোম লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি হায়রি।

**প্লে(এল)ঃ** ইম্ফালগী অকাম্পাৎতা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি পুকিং ৱাখলগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ৱাখল তাহন্নবা ষ্ট্রিট প্লে অমা উৎখ্রে। ষ্ট্রিট প্লে অদু নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম-মনিপুর অমদি হেলথ সার্ভির্সেস দাইরেক্তোরেটকী মখাদা পোরোম্পাৎগী থৱানথাবা লৈকাইদা লৈবা মনিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসননা পুথোকপনি। ষ্ট্রিট প্লে অসি মখা তানা তোঙান তোঙানবা জিলা মঙাদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা উৎকনি হায়রি।

**দ্রাইভর (এল)ঃ** মনিপুর দ্রাইভর এসোসিয়েসননা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী ইমুং মনুংদা লেপ্তুনা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শামুরৌ অৱাং লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা দ্রাইভর সোরোকখাইবম বাবুগী ইমুং মনুংদা এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** বিষ্ণুপ্রগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনিশুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বলানন্দা ফুটবোল একাডমীনা লোক্তাক ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। মফম অসিমক্তদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা রাইজিং ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অমোফা মোইরাংনা শিনদুনা চথরিবা ১৪ শুবা লোক্তাক ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস.য়ু. শগোলবন্দনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইদুনা এস.য়ু. শগোলবন্দ ফাইনেল চংখ্রে।

**তাক্রৌ(এল)ঃ** ২৭ শুবা জ্‌নিয়ার নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী টিম ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। সেপাক তাক্রৌ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা করনাতক্কী দেবাংগ্রীদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অদুদা রেগু ইভেন্টতা মনিপুরনা বিহারবু মায়থিবা পীখি। সব জ্‌নিয়ার গালর্সকী রেগু ইভেন্টতনা মনিপুরনা মহারাস্ত্রাবু মায়থিবা পীখি। টিম ইভেন্টতনা মনিপুরগী সব জ্‌নিয়ার গালর্সনা অন্ধ্র প্রদেসপু মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

**বোক্সি(এল)ঃ** উত্তর প্রদেসকী গ্রেটর নোইদাদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা সব জ্‌নিয়ার বোইজ এন্দ গালর্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা লুপাগী তকমান লৌরক্লবা কারুং অলবার্টসন কোমবু ঙসি মন্তক ভিলেজতা লৈবা মহাক্কী খুলগী খুঞ্জাশিংনা হরাও তয়ামা ওকখ্রে।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** মনিপুরগী মনিংতম্বা মাঙখিবা নুমিৎ হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং তরুক মিনিট ৪০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা সিভিলিয়ন এৱার্ড-ভারত রতা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-পি.ভি. নরাসিংহ রাও, চৌধরি চরন সিংহ, এগ্রীকলচর সাইন্টিষ্ট-এম.এস. শ্বামীনাথন অমসুং বিহারগী অনিরক

মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্লবা কারপুরি ঠাকুরদা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা চিং লেম্লবা থৌরম অমদা মনাশিং অদু রাস্ত্রপতিনা য়েন্থোকখি। লৈবাক অসিগী উপ প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা বি.জে.পি. লুচিংবা এল.কে. অদভানিদসু রাস্ত্রপতিনা হয়েং অৱাংবা থাক্কী সিভিল্লিয়ন এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মনা ফংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা রাস্ত্রপতিদগী মনাশিং অদু লৌখি। থৌরম অদুদা উপ রাস্ত্রপতি জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গে, মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনচিংবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**মেসেজঃ** ইস্তর সন্দেগী মাংওইননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম অখন্ননা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-যিশু খৃষ্টতনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক শিরম্বদগী হিংগৎলকখিবা অদু কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসি নুংশিবা অমসুং শান্তিগী পাউজেল পুবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অচুম্বা, ঙাকপীবা অমসুং কৎথোকপগী লম্বীদা চংশিনবা ঙম্বা ওইরসনু। যিশু খৃষ্টতনা শান্তি অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা পীরম্বা পাউতাকশিং অদু ইনদুনা চৎলসি হায়নসু রাস্ত্রপতিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**কংগ্রেসঃ** ওপোজিসন ইন্দিয়া ব্লোকা সেফ দেমোক্রেসি রেল্লি অমা হয়েং ন্যু দিল্লিগী রাম লিলা মৈদানদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

রেল্লি অদুদা কংগ্রেসকী মশক নাইবা লুচিংবশিং, এন.সি.পি., শিব সেনা (য়ু.বি.টি), সমাজৱাদি পার্টি, আম আদমি পার্টি, আর.জে.দি, দি.এম.কে, নেসনেল কনফরেন্স ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা, লেফট অমসুং অতৈ দল কয়াগী

মীহুৎশিংনা শরুক য়াগনি। রেল্লি অসিগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশনা হায়-পোৎ চৈগী মমল ৱাংখৎলকপা, থবক ফংদবগী সমস্যা, শেল থুমগী ওইনা থোং মান্নদবা অমসুং খুন্নাইগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা রেল্লি অসিদা খন্ন-নৈনগনি।

**নোং ঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা অখাক অরাওগা লোয়ননা মখা তানা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট ওফিসনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়-ঙসিদগী হৌরগা অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম খরদা নোং কন্না চুবা অমসুং উন তাবগী থৌওংশিং থোক্লবা য়াই। উরিষ্যা, নোংচুপ বেঙ্গোলগী গঙ্গেতিক, ছরখন্দ অমসুং বিহারদসু ময়াই ওইরপ্পা চাং ওইনা নোং চুরবা য়াই। জম্মু কাশ্মির, লদাগ, মুজাফরবাদ, হিমাচল প্রদেস অমসুং উত্তরখন্দনচিংবা মফমশিংদসু নোং চুবা অমসুং উন তাবগী থৌওংশিং থোক্লবা য়াই হায়রি।

**সিবিআই ঃ** জেলদা লৈরিবা আম আদমি পার্তি লুচিংবা অমসুং হান্নগী দিল্লিগী মন্ত্রি সতেন্দর জৈনগী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগী শিরক্লিবা মরাল অদুগী মতাংদা থিগৎনবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না সি.বি.আইদা খঙহনখ্রে।

পাউ খরনা হায়- শ্রী জৈননা দিল্লিগী মন্ত্রি ওইরিঙৈদা চন্দ্রসেখর কৌবা মীওই অমনা মঙোনদা লুপা কোতি ১০ পীনবা হায়রকখি হায়বা কেস অদুগা মরী লৈননা থিজিনবগী থবক অদু চথুগদবনি। মদুগা মতাংদা চন্দ্রসেখরনা দিল্লিগী উপ-রাজ্যপালদসু ২০২২ গী নবেম্বর থাদা অইবা চেরোল পীশিনখি হায়রি।